A newspaper dedicated for the cause of Human Rights

নহারোলগী থৌদাং

ফেব্রুৱারী ১১, ২০১৯ ইং

## মীতোপশিং চঙশিল্লকপা থিংনবা

## বোর্দর ফেন্সিংসু মীৎয়েং চঙসি

ইন্দিয়াগা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদগী লোৎনা থুপ্না চঙশিল্লকখিবা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং লৈবাক অসিনা থিংবা ঙমদবনা ঙসিদি ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মশিং লেপ্তুনা হেঙ্গৎলকপনা লৈবাক অসিগী শেন্মিৎলোনদা অমদি হিরম কয়াদা অকায়বা পীরক্লিবসি য়েংলগা মসি থিংনবা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী অখন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা বোর্দর ফেন্সিংগী থবক অসি মপুং ফানা লোইশিন্নবা হোৎনবা চুমগনি। ইন্দিয়াগা থংনরিবা য়ুম্লোন্নবা লৈবাকশিংগী মরক্তা পোরস বোর্দর কয়া লৈবনা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং লেপ্তুনা চঙশিল্লকপগী মথক্তা খুন্নাই অসিবু মরু ফংনা মাঙবা য়াবা দ্রগ কয়া অমা লেপ্তুনা পুশিল্লক্লি।

মীরৈবাক্তগী লোৎনা থুপ্না চঙশিল্লকপা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং চেক তৌনবা ফোরেনরস এক্ট লৈজরবসু ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং অদুদি পোরস বোর্দরশিংগী খুদোংচাবা লৌরগা জঙ্গলগী লম্বীশিংদা লোৎনা থুপ্না চঙলকপা মদুগী ৱাহন্থোক অদুসু লৈত্রি। মসিগী মথক্তা চহী ১০/১০ খুদিংগী মীকোক থীবগী থবকশিং চংখবদা হান্না লৈরমদবা মীওই কয়া অমা থেংনরবসু মদু খন্দোক্তুনা মখোয়শিং অদু কদায়দগীনো, কমদৌনা মফম অদুদা লৈরম্লিবনো হায়না থীদোকপগী মহুৎতা পোলিটিসিয়ানশিংগী ইনফ্লুয়েন্সতা নত্রগা মীকোক থীবগী থবক অদুবু তৌরিবা ওফিসিয়েলশিংনা শেল খরদা মশাগী হক পুন্থা য়োন্থোক্তুনা মীতোপ মীয়ানচা কয়া বেকদোরদগী ইনরোল তৌশিনখিবদগী ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং সেন্সসতা য়াওরবনিনা আইনগী ওইবা ঙাক্লৌ অমা ফংদুনা ঙসিদি য়োংনা লৌপু তাল্লকপগী ফিভমদা লৈরে।

হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবদি ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং অদুনা মখোয়গী মফম ফংখ্রবা মতুংদা মখোয়গী মরী মতা অমসুং অনকপা মীওই কয়া অমসু চঙজফম পীদুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং মশিং হেঙ্গৎলকপগী মরম ওইরি। মসিনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভমদা চাওনা চৈথেং পীবতা নত্তনা হান্নদগী হৌনা শুফম নোম্ফম লৈত্রিবা অসিগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না প্রোব্লেম থোকহন্দুনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মশিং লেপ্তুনা হেঙ্গৎলক্লি। অসিগুম্বা কয়া অসি য়েংলগা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী ওইবা থৌরাংশিং ঙাইবগী মহুৎতা ষ্টেট সরকারগী ওইনা মীতোপ মীয়ানচাশিং মশক খঙদোক্তুনা মরমদা হলহনখিনবা অখন্নবা থৌরাং অমগা লোয়ননা মসি য়াদে হায়বা খঙননবা অকনবা আইন অমা শেম্বা মথৌ তাই। মপুং ওইনা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং অদু মরমদা হলহনখিনবা থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি। ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং থিংবা হায়বসি মায়কৈ কয়াদগী মতেং চঙবনা মীরৈবাক্কা তাইনরিবা বোর্দরগী জগাশিংদা নিংথিনা দিমার্কেসন তৌথোক্তুনা বোর্দর ফেন্সিং খাননবা সেন্টরদা অকনবা প্রেসর তৌবা চঙই। ফোরেনর চেক পোষ্টশিং মপাঙ্গল কলখৎহনবগী মথক্তা চহী ১০/১০ খুদিংগী চংখরিবা সেন্সসতা মরম চাদনা মীশিং হেঙ্গৎলকপা তারবদি মদুবু চেক তৌনবা থৌরাংশিং পায়খৎতুনা মীতোপশিং মশক খঙদোক্তুনা আইনগী ওইবা অকনবা দন্দি পীনবা হোৎনগদবনি। মদু নত্তদুনা য়েলহৌমী কন্নবা হোৎনরি, ফোরেনর চেক পোষ্টশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা অহিং নুংথিল নুমিদাং খায়দনা চেক তৌরে হায়বা খক্তনা য়ারোই। হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা দেদিকেটেদ কন্ট্রোল রুম অমা হাংদোক্তুনা মীতোপশিং চঙশিল্লকপা থিংনবা মীয়ামদগী মতম মতমগী ওইবা ইনফোর্মেসনশিং কলেক্সন তৌনবা হোৎনফম থোকই।

## এদিটরদা থারকপা চিঠি

### স্কুল ফগৎহনসি

ইকাই খুন্নজরিবা এদিটর,

বিজেপিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী ওনরেবল চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না হৌদোকখিবা স্কুল ফগৎহনসি হায়বা মিসন অসি হৌরক্লিবা ঐখোয়গী অঙাংশিং, তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদবশিং অমদি অঙাংশিংগী মপা মমা খুদিংমক্কী ওইনা য়ান্না ফরবা, লৈবাক চাওখৎনবগী অচৌবা পান্থে অমনি হায়জনিংই। অদুবু মমাঙথক্তা হৌদোকপীনবা লৈরমদবদগী য়ান্না থেংথবা হায়বদু ওইরে।

ওনরেবল চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না মহাক্কী লৈঙাক অসি ঙসিদগী চহী ১০-২০ গী মমাঙদগী লৈরম্বা থোক্লবদি মণিপুর য়ান্না চাওখৎপা লমদম অমা ওইরমগনি। ১৯৭২দগী হৌজিক ফাওবা অসি স্কুল করন্না য়োকখৎকনি, অফবা মহৈরোই করন্না পুথোক্কনি হায়বা খঙদনা ওঝা ট্রান্সফার তৌবরোমদা থৱায় য়াওশিন্দুনা লাকই। মতম মতমগী লৈঙাক্না স্কুলবু মীরাইবীবদগী ওঝাশিংসু য়াওশিন্দুনা গভর্নমেন্ট স্কুলশিং নোংমা নোংমগী লৈখা তারকপা কুইরে। হায়নৈ গভর্নমেন্ট অসিনা ইপা ইমানি, ওঝানা পুন্নমক্কী লমজিংবা মপুনি হায়না, অদুগা করিগী মখোয় মান্নরগা স্কুলশিংবু লৈখা তাহন্দুনা প্রাইভেট স্কুলদা চহী অমদা লুপা লিশিং ৪১দগী লিশিং ৬১ ফাওবা তিংহন্দুনা ইমুং খুদিংমক লাইরহল্লিবা চুপ্রা? মতাং অসিদা পঞ্জনিংবদি গভর্নমেন্ট স্কুল ওঝা খুদিংমক হিরমমসিদা লোইনা চৈন্নে হায়বদি য়ারোই। কনাগুম্বা ওঝা খরদি পুকচেল চাওবগা লোয়ননা মহৈরোইশিংগী অমদি স্কুলশিংগীদমক কত্থোকপগা লোয়ননা লৈজবী থাদুনা ফনবা হোৎনরি। মসিগী মনুংদা ‘ ফোইজিং নংঃ ৬ গভনমেন্ট জুনিয়ার হায়স্কুল নম্বোল অৱাং, লৈমপোকপম গভর্নমেন্ট পব্লিক হায়স্কুল, লৈমপোকপম নম্বোল, হায়রিবা স্কুলশিং অসিগী পুকচেল চাওরবা চাওরবী, ওঝাশিং অসিনা লৌরিবা থৌদাং অসি দিপার্টমেন্টনা চঙশিন্দুনা য়েংহন্নিংই। স্কুল অতৈসু তৌহন্নিংই।

লোইশিল্লকপদা, ঙসিগী এন বিরেন্না লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা স্কুলগীদমক লৌরক্লিবা ৱারেপ অসিমক্তি য়ান্না ফবা অমদি লৈবাক অসি চাওখৎপগী কৈরাক্তা চিংখৎপনি হায়না লৌবগা লোয়ননা প্রজা ঐখোয় পুন্নমক অমত্তা ওইনা গভর্নমেন্ট স্কুলদা অঙাং মহৈ তম্বা থারসি।

অদোমগী
শগোলশেম সনাজাওবা সিংহ
খোরি লৈকায়, নম্বোল

# পার্থ সারথি দাসকী ‘ শ্রী শ্রী মদনমোহন জিউ’ দা মীৎয়েং অমা

কৃষ্ণচন্দ্র দাস, ককচিং
ওর্ফে নাওরেম নাও চন্দ্রমণি,
স্কোলার এন্দ কলচরেল এক্তিভিষ্ট

হৌজিক মালেমদা ভারত হিন্দুগী ওইনা লৈরিবা বেদগী লাইনিং কাঙলোন অমসুং লাইনিং লীক্লম অসি গুরু ঙমথং পরেং (প্রণালিকা) কায়দনা মখল অনীথোক্লা লৈ, বেদান্তগী অদ্বৈতবাদ হায়বা অমা, অদুগা অতোপ্পা অমদুনা ভক্তি বেদান্তগী চৈতন্য দর্শনশাসন্ত্র অচিন্ত্য ভেদাভেদ তত্ত্ব হায়বা অমা। অকোনবা ভক্তি বেদান্তগী ধর্ম্মগী মমিংনা গৌড়িয়া বৈষ্ণব ধর্ম্ম হায়দুনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা মসিগী লাইনিংকোন মছা ( আশ্রম, ইস্কোন সেন্টর) মশিং লিশিং অমা হেন্না লৈরি। ধর্ম্ম অসিগী লাইনিং লীক্লম লম্বীসু লম্লোঙ অনী ফাঙঊী-নবধা ভক্তিগী বৈধি ভক্তি হায়বা অমা অদুগা রাগাত্মিকা ভক্তিগী রাগানুগা ভক্তি হায়বা অমা। মালেম পুম্বগী ধর্ম্মগী লীঙলুপ অমা ওইরিবা ইস্কোননা চৎলিবা ভক্তিদি বৈধি ভক্তিনি, অদুগা মণিপুরগী গৌড়ীয়া বৈষ্ণব ফুরুপ অসিনা চৎলিবনা রাগানুগা ভক্তিনি। হৌজিক ভক্তি বেদান্তগী পাউদম ৱারোল মতেক অমখক পীজরুবগী মরমদি লাইরিক অসিগী মিংথোল ওইরিবা ‘ মদনমোহন’ অদুগা লাইরিক মখা থাবা মিংথোল (সবতাইতল) অমা ওইরিবা ‘ শ্রীকৃষ্ণগী ত্রিভঙ্গ রুপ্তা মণিপুরগী বৈষ্ণব বৈষ্ণবীশিংনা চেৎনা থাজনা থল্লিবা প্রেম ভক্তি ’ হায়বসিদা য়াওরিবা ‘ত্রিভঙ্গ’ শক্তাক্লোন লৈবা ৱাহৈ অনীমক ভক্তি বেদান্তগী রাগানুগা ভক্তিগা খোয়রী তিন্নবা মশেলনি, অদুগা অমুকসু মণিপুরগী গৌড়িয়া বৈষ্ণব ফুরুপসিগী লাইনিং লীক্লম ওইরিবা অসিগসু অমত্তনি হায়বা ৱারু-ৱাপী অসি থমজনিংবদগীনি। মদনমোহন ত্রিভঙ্গ মশক খঙনবা মার খোঙ্গুল লীরকপদা ভক্তি বেদান্তগী য়োইরেন হঞ্জবা (মহাপন্দিত), চীংঙু মায়চৌ (সিধসদগুরু) গোশ্বামি অমনা ইবা লাইরিক্তা মদনমোহনগী মরমদদি মসিগী ৱাথুপকী ৱাফোঙ ৱারোল লাতমদুনা লৈরম্লে। অদুবু ত্রিভঙ্গগী মতাংদদি ভক্তি বেদান্তগী লৈরিবা শাস্ত্র লাইরিকমখেগী লাইরিক অমত্তদসু মসিগী শাথেক অহুমগী শাথুপ শাফোঙবীরমদ্রে। অদুদি, হৌজিক করি গতি লৈরি। ত্রিভঙ্গাগী শাথেক অহুম মশক খঙদনা অসুম তোক্লগদ্রা? করিগী তোকচরুগদগে, য়োইরেন খোর্জেনা খুৎমানবা শাস্ত্র লাইরিক্কী লীক্লম লীখুন লৈরি। হোয়, অদুঙৈ ইপু চীংঙু মায়চৌশিংগী সনা খোর্জৈদগী ত্রিভঙ্গগী খোইথুন্নরবা য়াবা মপাউ তাজনিংবা খঙজনিংবা অদুমদি তাইবঙপান জগৎসিগী মপুন্সি খোয়রেন লাংহৈ চহী কুমশিং কল্পসিগী জোনোং কয়াদসু খক ওইথোক্লরোই। অদুমকপু, হৌজিক্কী মীরোল মতমগী মী নমু পোং অচঙবা মহৈরেন মশু মনাই ওইবা ঐখোয়না ত্রিভঙ্গাগা খোয়রী তিন্নবা শাস্ত্র লাইরিক্কী লমায়দা লাতন্নিবা লারৈ-লাথুপ, লীক্লম লীখুন অদু য়োইরেনগী (পন্দিতগী) ফিদাদা ফম্লগা ( য়োইরেনগী ফিদাদা ফম্বা ঙমদনদি ওইথোক্লোই) য়াইরেন লৈখোনগী (পন্দিত্ত্ব)গী লাইশুনা খোর্জে খুৎলি শুরগা ত্রিভঙ্গগী অওইবা, অশেংবা, অচুম্বা, মশক অমখক তরং তরং পাদম লাকপা ওইথোকই, মসিমক ৱারেংজরিবা খোর্জেরোয়গী য়োইরেন খোর্জেনা শং শং পাদম লাকচৈ।

অইবগী মদনমোহনঃ

ধর্মশাস্ত্র লাইনিং লাইরিক্কী লমায়দা লাতন্লিবা শক্তাক্লোন লৈবা ( পরিভাষিক শব্দ, তেকনিকেল তার্ম) মদু মহৌশানা শক্লোন পুবা ৱাহৈ ওইরকই হায়বদি তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক্কী ৱাফোঙ ৱারোল লৈবা মমায় লোঙবা ৱাহৈ ওইরকই। মসিগী মরমদি অতৈ অমনা নত্তে, ধর্ম্মশাস্ত্র লাইরিক্কী ৱাথুপ ৱাফোঙলোয় ( শাস্ত্র টীকাকার) চীংঙু মায়চৌশিংনা মখোয় মখোয়গী লাইনিং কাঙলোন অমসুং লাইনীং লীক্লমগী পরিং খুদুং ইন্না অদুগুম্নবা শক্তাক্লোন লৈবা / মশক নাইবা ৱাহৈশিং অদু মখোয় মখোয়গী পাইমা ৱাখল লৌশিংনা তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক পীনরকপদগীনি। খুদম ওইনা, গীতাগী ‘ ভক্ত্যামামভিজানাতি’, ভক্তিনা ঐবু খঙঊী হায়বসিদা অদ্বৈত বেদান্তগী কোক্কী লাইনিং রস পক্তবা যোগনা ভক্তিদি শ্রীকৃষ্ণগী মতমদা পুক্নিং লৈতানা চেৎনা নীংবা পরাভক্তিদগী হেনবা অমা লৈত্রে। অমরোমদা অমুক, ভক্তি বেদান্তগী থম্মোয়গী লাইনিং রাগ রসকী ঈতিনফম ভক্তিনা বৈধি ভক্তিদগী হেনবা, রাগানুগা ভক্তিদগী হেনবা অতৈ অমা লৈত্রে অসিনি। অসুম্না, তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক্কী মশক নাইবা ৱাহৈ কয়া গীতাগী অতৈ ধর্ম্মশাস্ত্র কয়াগী লাইরিক লৈরি। মান্নদবা, খেন্নবা ৱাহন্থোক পুন্নমক মাগী মাগী মকাদা অচুম্বা ঙাক্তনি। অচুম্বদি মমায় লোঙঊী, মসিমক শক্তাক্লোন লৈবা মদনমোহনগী মকাদসু শরুক থুংলরে।

অইবা খোর্জেরোয় য়োইরেন প্রভুনা মাগী লাইরিকসিগী মঙাশুবা সর্গ পন্দুপ্তা শ্রীকৃষ্ণবু মদনমোহন অদুগা রাধাবুনা মদনমোহন মোহন হায়না মমিং কৌখিবগী থৌদোক অমগী ৱারী অমখক লৌখৎতুনা মচা তানা লীরকই। মচংতমক লৌখৎচরগা শম্না পাউদমজরবদা, রাস মন্দল ময়ায়দা শ্রীকৃষ্ণগা গোপীশিংগা রাস শান্নরিবদু কামদেব য়াওনা লাইয়ামশিংনা মীৎয়েং শাঙ্গেরি। কামদেবনা রাস থুগাইরগে খন্দুনা কৃষ্ণদা, গোপীশিংদা মাগী কামগী তেন কাপ্লক্লে। কৃষ্ণদা মাগী কামগী ইহুল রাগ কাঙলক্ক বনি। মসিগা চপ মান্নবা মহয় গোপীশিংদসু ফংহন্নবনি। কামদেব মায়থীরে, মাগী হোৎনবা পুম্বা অরেম্বা তারে। হৌজিক মহাক খঙলে-কামগী মপু মহাক্কি খল্লুবা মহাক ওইরমদ্রে, তাইবঙপানগী জগৎপী মবুংঙো শ্রীকৃষ্ণ ওইরম্লে। মহাক্না লঙজখিবা মরাল ঙাকপীয়ু হায়দুনা কৃষ্ণগী মাঙদা মখোঙ মখুৎ শাংদ্রোং শাংনা তিংথোক্তুনা লৈমায়দা খৱাংননা উপ্তুনা কোনয়াং মানা লৈমায়দা শাংনা শন্না তাবগুম শমু হকচাং কায়াৎ মফম নিপান শোক্না খুরুম্লক্লে। অষটাঙ্গ দন্ডবত কৎলক্লে। থৌওং অসি উবদা লাইয়াম্না কৃষ্ণবু ‘মদনমোহন শ্রীকৃষ্ণগী জয়’ হায়দুনা জয় ধ্বনি লাউখি। চৈরকসিদা বিশাখা সখীনা রসরাজ শ্রীকৃষ্ণগী জয় ধ্বনি খক্তা লাউরগা তোকপা য়াদে, গোপী মখোয়গীসু লুচিংবী রাসেশ্বরি রাধিকা লৈরি, মবেমগীসু জয় ধ্বনি লাউগদবনি হায়রকপদগী লাইয়াম্না রাধাবু ‘ মদনমোহন মোহনগী জয়’ হায়না জয় ধ্বনি লাউখি। অসুম্না লাইয়াম্না শ্রীকৃষ্ণবু মদনমোহন অদুগা রাধাবুনা মদনমোহন মোহন হায়না মমিং থোনখি। মদন হায়বদি কামবু মোহন শুম্নৎপা, মায়থীবা পীবা ঙম্বা, জয় তৌবা ঙম্বা হায়বনি মদনমোহন। থৌদোক ৱারীসিগী য়ুখল মরুমদা খঙগদবা পারা অমখক লারৈ-লাথুপ,ৱাথুপ ওইনা লৈরিবদি অসিনি-লাইরম্লেনগী ৱাদি থমখিসি, তাইবঙ মীরম্লেনদা মীগী শক্তম লৌদুনা লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণদা, গোপীশিংদা মখোয়না শান্নবা রাস লীলাদা তাইবঙ মায়া কামগী অপাঙ্গী মফম চন্নফম লৈতে। অসিগুম্বা মখলগী রাসতি য়াইবীরেন লমদমগী শেংলবা লুরবা মক্তবা থম্মোয় শৌদোক্লবদগী চেন্থরকপা লিক্লাইগুম লুরবা য়াই মহী প্রেম রস অদুনি।

মথং মথং

## ৱাকৎ

# মীতৈ /মৈতৈনা এসটি লিষ্টতা চনবগী ফল লাওথোকপীবা

মীতৈ / মৈতৈনা এসটি লিষ্টতা চন্নবগী পরিক্ষা থাবা য়ানবগী এপ্লিকেসন ফোর্ম ফিল অপ তৌদ্রিঙৈদা মরু ওইনা চীংগী হান্না মণিপুরগী এসটি লিষ্টতা চন্দুনা লৈরবা কাঙলুপকী মীওইশিংনা পরিক্ষাগী ফোর্ম পীশিনবা য়ানি- য়ারোই, ফেল ওইনি ওইরোই, পরিক্ষাগী ফল ফাওবা লাউথোকপীবা মতাং য়ৌরকপসি উবদা হায়নিংঙাই লৈতনা ঙক্তবা ঙমদ্রে। মুন্না য়েংলগদি লক্লরিবরা নত্রগা খৎনবা হৌরিবরা নত্রগা মীচং খোম্লিবরা নত্রগা কিহল্লিবরা ভাব তাদ্রে। এদমিট কার্দ ফংবসু নত্তবা মতমসিদা তৌরিবা মওং অসিবু থিংনবা ইনশিল্লিবরা নত্রগা খঙজিন্নদ্রিবরা হায়বসু ইমান মালহনবা ঙল্লি।

জুরিসদিক্সন হায়বা ৱাহৈ অসি খঙজিনবা ফৈ হায়নিংই। মথৌ নত্তবদা মথৌ শাবা শেলসু ফংলোইদবদা একজামিনর ওইবীরগনু হায়জনিংই। মসিদি নেস্নেল কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইবনা লেপচগদবনি। নেস্নেল পিপলস পার্টি (এনপিপি) না ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন মমাঙদা ফোঙখিবা মখোয়গী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা মীতৈ /মৈতৈবু এসটিগী লিষ্টতা চনবা য়াই হায়বা ৱাফম পনখি / থমখিবা অমত্তা ঙাইরবা পার্টিনি। মণিপুরগী / মখোয়গী পার্টিগী কেবিনেট মন্ত্রি মরিগী মনুংদা অনীদি চীংগীনি। অমুক্কসু মরু ওইনা ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলসকী ফমসু পায়বা ওইরি। ইকাই খুম্নজরিবা কেবিনেট মন্ত্রি মরিনদি করি ফিরেপ লৌবা তাবগে?

মীতৈ / মৈতৈনা এসটিগী লিষ্টতা চনবদা কোনগদৌরিবা সেদ্যুল লমদু তম্পাক লমখক্তগী ওইবনা চীংগী লমগী লৌশিল্লক্কনি হায়বসি অর্থ থোক্ত্রবা ৱাফমনি হায়বসিদা করিসু কিফম থোক্তে। মরম অসিনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকেল নম্বর ৩৭১সি গী মখাদা লৈবা হিলস এরিয়া কম্মিটিগী মত লৌবা মথৌ করিসু তাদে হায়বসিসু মশানা তাজরবা ৱাফমনি।

ঐখোয়গী ঙসি চহী লিশিং ২০০০ গী অৱাংবা ইতিহাস ইগোগী মরুমদা লৈরিবা চরা অনী শুনা চাবা ফংদ্রবা কাঙবুগী মরক্তা য়াওরিবা য়াইতোং খমদোংবা খরদুনা পীরিবা শাফু কয়াগী লাংদগী নাহোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা ঙাক্লৌ অসিগীদমক হনবা লৈতনা হোৎনবা মীওই মশিং নোংমগী লেপ্তুনা হেঙ্গৎলকখিগনি হায়বসি অকনবা থাজজবনি। অমরোমদা ঐখোয়গী লম ঙাকচবগী অমসুং লাইরিক লাইশু তম্বদা ফংলগদবা ষ্টাইপেন্দ / স্কোলারশিপ অমসুং অতৈ অতৈ খুদোংচাবা কয়াগী মতেং ফংজনবা হোৎনবদুনি। মসি হিংবা-শিবগী অমত্তা ঙাইরবা য়াম্না চাওবা উপায় অমনি। মসিবু য়ানিংদবা কাঙবুশিংনা এসটিগী সার্টিফিকেট অদু তানবীরুদ্রগা / লৌবীরুদ্রগা অদুম হান্নগী ফম্ফম জেনরেলবু হায়রো, ওবিসি বু হায়রো অপাম্বা মফমদুদা লৈবীহৌবদা করিসু কাইরোইদ্রা খঞ্জে।

থবক চঙবগী লম্বীদা লৈগদবা এক্সিষ্টিং কোটা অদুসু অদুম লেংহন্দনা থম্বা য়ানবা লম্বী শেমদোকপসু য়াম্না লুগনি থাজজদে।

পুন্নমক অসি য়েংলগা অতোপ্পা অপাম্বা মীওইশিংনা এসটি লিষ্টতা চঞ্জনবা পরিক্ষাগী ফোর্ম থাজিনবদা, এদমিদ কার্দ ফংজবদা , পরিক্ষা ফমজবদা লান্না উবীগনু, কল্লকপা পোকপীগনু, করেম্নবীগনু অমসুং মতুংদা য়েখায় থিনগায়বা পীবীগনু।

লোয়ননা পুন্না নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরিবা জাতি মরক্তা হু কামশিনবীগনু হায়না হায়জরি।

অদোমগী
থোকচোম গোপিমোহন
নেস্নেল এৱার্দি-১৯৮৬
কৈশামথোং

# হিয়াংলম কেন্দ্রদসু চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপীয়ু

মণিপুর বিধান সভাগী কেন্দ্র ৬০ লৈরিবসিগী মনুংদা কেন্দ্র কয়ানা চাওখৎ মায়কৈদা অথোই অহেন তান্নরক্লবা মতমসিদা হিয়াংলম কেন্দ্রনা শোত্থনা লৈরিবা কেন্দ্রশিংগী মনুং চন্না লৈরি। খুদম ওইনা কেন্দ্র অসিগী নোংচুপ থংবা জোন সেকমাইজিনদগী তোকপা চীং ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা অনা অয়েক থোকপা মতমদা লায়েংফম অনকপদা লৈতবদগী থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুগা মচা মশু লাইরিক তমহনবগী মতাংদা লৈঙাক্কী স্কুল অয়াম্বা শিথখিবদগী লন্নাই স্কুলশিংদা লাইরিক তমহন্নবা হোৎনবদা লায়রবা কাঙলুপ্না থেংনরিবা অৱাবশিং লোয়ন- লোয়ননা নোংমগী খুৎশুমন্না হিংজরিবা শিল্লঙ লৌমীশিংগী থবক অয়াম্বা মতমগী মেছিন ইঞ্জিন্না শুখিবদগী শুফম নোম্ফম লৈরক্তবদগী ককঙাওনরক্লিবা লায়রবশিং পুন্নমক অসি খঙ উরুবদা নীংবা কায়নিংঙাই মশকনি। লমদম অসিগী ওইনদি মহৌশা লাইরেম্বীনা থম্বীরম্বা চীং, পাৎ, তুরেল, লক্মাং, লমজাও , মরাং কায়না লৈরি। লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীরগা চান-চানবা থবক মীয়ামগা লোয়ননা পায়খৎপীরবদি চাওখৎ খোঙজেলদা মাঙজিল থাবা য়ারিবা কেন্দ্র অমা ওইগনি। মরম অদুনা কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈরিবা সেনিয়ার সিটিজেন খরগী লমজিং মখাদা অওনবা পাম্বা অমসুং তুংগী য়াইফনবা খনবা সোসিয়েল ৱার্করশিংগা লোয়ননা কেন্দ্র অসিগী মফম শীনবা থুংনা রাজনিতিগী খেন্নবা থমদনা অপুনবগী পাঙ্গল অমা শাগৎলবা তুংদা মখাগী দাবীশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মফমদা অকনবা খোঙজংগা লোয়ননা পুখৎলসি।

দাবীশিং অদুদি, ১) হিয়াংলম কেন্দ্রগী নোংচুপ থংবা জোন, সেকমাইজিনদগী তোকপচীং ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং অসিগী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী থোং মতমগা চান্নবা অথুবা মতমগী মনুংদা শেম্বীয়ু, ২) ককচীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরস লৈঙাক্না ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ময়াই থোকপা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাগদবা ৱাইখোং-থোংজাওদা থম্ফম থোকই হায়দুনা মরী লৈনবশিংনা ইনক্বারি ফাওবা তৌখ্রবা, অদুবু হৌজিক ফাওবা তুমিন্না লৈবীরিবসি অথুবা মতমগী মনুংদা লাওথোকপীয়ু, ৩) পুম্লেন পাৎ অমসুং খোইদুম পাৎ অনী অসি ইথায় দাম শাদ্রিঙৈ মতমদা লৌউবা অমদি ইখ্বোল কোইবগী শিনফমদা পোখোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা নুংঙাইনা পুন্সি লেল্লম্বনি। মতৌ অদুগুম্না হান্নগী ফিভমদা অমুক হঞ্জিন্নবা শিনবীয়ু, ৪) লৈঙাক্কী স্কুল খুদিংমক মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎপীয়ু, ৫) ফান্দু চীংগী চীংশাং পরেং উমং য়োকখৎতুনা হান্নগুম ঈশিং মরাং কায়না থোক্লবা হোৎনবীয়ু, ৬) এমএলএ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ মীয়াম খঙনা শীজিন্নহল্লু।

অদোমগী
১) শ্রী এলাংবম যদুমনি সিংহ,
সেনিয়ার সিটিজেন, এলাংখানপোকপী
২) তোলচৌ শমজেৎশাবম
সেনিয়ার সিটিজেন, থোংজাও

# হয়িংখোয় কদায়দা ফংগদগে?

শক ২০১৮ চহীগী লোইরমদাইদা খবরগী লমায়শিংদা তোয়না থেংনখিবা হয়িংখোয় লোইদুনা শেন্থোক লৈননবা হোৎনবগী ৱারী ৱাখোং কয়া ময়েক শেংনা পারে, উরে, তারে। সরকারনসু শেলতিংনা খোয় য়োকপা পাম্বা মীওই কয়াবুসু ত্রেনিং পীদুনা খঙহন্নবা হোৎনবদা নত্তনা খোয়গী উপু খোয় লোয়বদা চঙবা মচাক কয়া পীদুনা শেল য়াম্না চঙনা খোয় লোয়বা পাম্বা মীওইশিংবু পাউতাক কয়া পীদুনা পুক্নিং থৌগৎলিবশিং থোইদোক্লা থাগৎনিংই।

ঐহাকসু খোয় লোয়বগী মরমদা ফজনা খঙলে। চহী ৩০ গী মমাঙদগী খোয় লোয়বগী ত্রেনিং অসি ঐগী লৈকায়গী ইয়াম্বা অমদগী তমখিবনি। মতম অদুদা ঐগী খোয় উপু ১০ রোম লোয়বনি, খোয় উপুশিং অদুসু লৈবা ঙাক্তনি। খোয়হি লিক্লি এমএল ৭৫০ চনবা লিক্লি ১দা লুপা ৫০-৬০ ফাওবদা লৌবীনবা লৈরমদে। অদুবু ঙসিদি অশেংবা খোয়হিগী মমল অসি লিক্লি অমদা লুপা ৫০০-৬০০ ৱা ঙাংনদে।

সরকারনা অমদি মসিগী মরী লৈনবা লোইশঙনা শেল কয়া তিংনা খোয় লোয়দুনা খোয়হীগী পোৎথোক্না শেন্থোক লৈহন্নবা হোৎনবা হায়বা থৌরাংগী মতাং অসিদদি হেক্তা থম্মোয়দা ৱাফমশিং অসি হংনিংলকই।

‘হয়িংখোয় লৈজগে’ হয়িংখোয়সিবু কৈথেলদা য়োনবরা? হয়িংখোয় কদায়দা ফংগদগে? হয়িংখোয়সিবু মন্ত্রিশিংগী ওফিসারশিংগী ময়ুমদগী ফংগদ্রা, ওফিসারশিংগী ময়ুমদগী ফংগদ্রা অশেংবা খঙবীরবদি তাকপীয়ু, হয়িংখোয় খরা লৈজগে।

হয়িংখোয় হায়বা জিব অসি মচা কোকই (মচা পোকই)। মচা পোকই হায়দুনসু মচাশিং অদু খায়দোক্তুনা লোয়বা (য়োকপা) য়াবা জিবা নত্তে। মরম অসিনা লোয়রিবা খোয়শিং অদুসু শিবা নায়বা অমদি পাইখিবসু ঙম্বা জিবনি। নোংজু থাগী মতমদা মখোয়বু শিদনবা হোৎনবা অমদি পাইখিদনবা হোৎনবা হায়বসিসু অরাইবা থবক নত্তে। সরকারগী দাইরেক্টরশিং, ওফিসারশিংনা শেল চঙনা লৈকায় নত্রগা খুঙ্গংশিংদা খোয় উপু লিশিং লাক্ষ কয়া পীথদুনা খোয় লোয়বশিংবু চাওখৎনবা হোৎনবগী পান্দম অসি মায় পাক্কনি হায়বা থাজদে। মরমদি শিনবীরিবা অঙম অথৌশিংনা খোয় উপু পীবদা খোয়দি য়াওদে। হয়িংখোয়দি কৈথেলদা য়োন্দে। মরম অদুনা ঙসি খোয় লোয়হন্দুনা খোয়হীগী শেন্থোক লৈহন্নবা হোৎনবীরিবশিংনা খোয় উপু পীবা মতমদা মদুদা হাপ্নবা খোয়শিং অদু কদায়দগী ফংগদগে হায়বা ৱাফম অসিদং জ্ঞান তানা তাকপীরবা নত্রগা খোয় উপু পীবা মতমদা খোয়শিং পীবীরবদি সরকার অমদি অচৌবা অঙম অথৌশিংনা লাওরিবা নত্রগা থল্লিবা পান্দমশিং মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমগনি। নত্রবদি হয়িংখোয় লোয়হন্নিংই হায়দুনা উপু পংপী পীবনা কদায়দগী অহাংবা খোয় য়াওদবা উপুশিংদগী হয়িংখোয়গী অশেংবা খোয়হী পুথোক্লবা হোৎনবা ঙম্লোই হায়নিংই।

অদোমগী
লাইশ্রম মনাওয়াইমা সিংহ
নম্বোল মখা লৈকায়